# লাকপু লাক্কদ্রো

## লিনসু মখুল চঙলমদাইদদি চুম্বনি

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্কনি হায়বগী ৱাফম অমা থোরক্লে। ৱাফমসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী য়াওনা মণিপুরগী অয়াম্বা মীওইশিংগী চিনে দান-লৈতোন্দা পক্লরক্লে। নুংশিৎ শিংতনা উনা লেঙবা হৌনদে। লাক্ত্রবা ফাওবদা লাক্লবগী থৌরাং শোয়দনা তৌরমগনি নৎত্রগনা লাকহন্নীংবশিং য়াওরমগনি। মরম লৈতনদি হায়নরক্লোই। ঈঙ্গিৎ অমসুং শামিন ফংবদগী হায়নরকপা ওইদোইনি। মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লানসি হৌরক্তুনা মসিগী খম থেংবা চৈবি-চৈথেং ফংলবা মীয়াম্না, মীয়ামগী লূপশিংনা মহাকপু য়াম্না লাকহন্নীংখিবনি। লানফম্না পীক থল্লিবা, হৌজিক ফাওবদা চীং-তম চঙন-থোক্লা য়াদ্রিবা অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা আই দি পিশিং লৈরিবা ফীভমশিংসিদগীদি লায়রদনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমশিংদা ফাওবা অমুক্তোইবা মহাক্না মণিপুরদা চৎত্রি, চৎননবা হোৎনদ্রি, মালেমগী লৈবাক কয়াদা ইশোন কাংদনা চৎলবসু, লৈবাকসিগী মফমশিংদা তোয়না খোঙদারবসু ষ্টেটসিদদি চৎতে হায়বসিগী মতাংদা ৱা ওইনা ঙাঙনখ্রিবনি। লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রিবনি। অদুবু মহাক্কী মচিন্দগী চৎতবগী মরমসু পীখিদে। শুংচৎ চৎলরোই হায়বসু হায়দ্রি নৎত্রগা অদুগী মতমদুদা অদ্বাইদা ওইনা চৎকনি হায়বা ফাওবসু হায়দ্রিবনি। অদুবু গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ওগষ্ট ২৫, ২০২৫দা নাগালেন্দগী গভর্ণরগী থবকসু অহেনবা ওইনা পুনবগীদমক ৱাশক লৌরুবা অদুগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লমদাই মরিনি-মঙানিগী মমাঙদা চুড়াচান্দপুরদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতুংইন্নদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি শোয়দনা লাক্কদবা মাল্লে। খোঙচৎতুদা গভর্ণরনা ক্রেচ সেন্টর অমা শঙ্গাখি। রিলিফ কেম্প অমদা চঙদুনা আই দি পিশিংগা উনরমখি। হন্দক চহী ২০২৫গী এন ঈ ঈ টি এগজামিনেশনদা মায় পাক্লক্লবা য়াওনা রিলিফ কেম্পতা লৈনা-লৈনা মীথোই মীহেল্লকপা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎলমখি। পুলিস অমসুং অতোপ্পা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংনা শরুক য়াবা সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌবা মীফম ফাওবা পাঙথোক্লমখি।

অদুবু গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুরদা হেক থুংবগা ইহান-হান্না তৌখিবা থবক্তি পীস গ্রাউন্দ য়াওনা পব্লিক গ্রাউন্দ অনীগী ফীভম অমসুং হেলিপেদ য়েংশিনখিবদুনি। মসিগী মথক্তা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগসু 'ক্লোজ দোর' মীটিং অমা পাঙথোক্লমখি। মরমশিং অসিনা গভর্ণরগী থৌওংসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর অমা লাক্কনি হায়রিবসি খক্তংগী ওইগদ্রা? প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎকী ওইরোইদ্রা হায়বসিনি। ওইনীংবা ওইরসনু। মহাকপুদি হৌজিক য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিং পুরেল ওইরিবনিনা পুমচাই চাইরিবা মণিপুরগী ফীভমসি লোইশিন-খমজিন্দুনা শিৎ-নালহন্দুনা হান্নগী ফীভমদুদা হঞ্জিনবদা মহাক্না খ্বাইদগী মরু ওইবা মীশক অমা ওইরি হায়বগী ৱানি। মহাক লাকপা নৎত্রগা লাক্তবগী ৱাফমদি থোইদোক্ত্রে হায়বনি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দসিদি পীবা য়ারোই, পীফম থোক্ত্রে হায়দুনা চপ য়ুংনা লেপ্লগা দিমান্দসি তাল্লিবশিংদা করি-করিনো খরা পীবিরগা থেমজিল্লু। হায়ন-তানবা য়ারক্ত্রগা চৈবুল পীজৌ, ওইথোক্লোইদবা নীংঙাই তৌবা য়াদে হায়বা খঙহল্লু। লম হেন্দ-হেঞ্জিল্লক্লগনা মখোঙ-মখূৎ থুদেকউ। রেদ অমসুং বফর জোন হায়বা'মা থল্লনু। লম্বী পূন্নমক মহৌশাগুম চৎন-থোক্লা তৌহন্দুনা ফূরুপ পূন্নমক্লা মফম খুদিংদা চঙথোক-চঙশিন য়াহল্লু। রিলিফ কেম্পশিং থুপচিল্লগা আই দি পিশিং মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লু। পূন্নমকসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবদি মণিপুরদা লাক্কে হায়রবুদি লাকউ। করিসু কায়দে। অদুবু মহাক্কী খোঙচৎতগীদি মথৌ তারিবশিংসি থবক্তা ওন্থোরকপনা হেন্না মরু ওই অমসুং মীয়ামগী অপান্বসু ওই হায়বনি। অদুবু শোয়দনা লাক্লগদবা ওইরবদি অসুক কুইবসি লাক্তবগী মরম লৈনি। লাক্লগনা লাকপগী মরমশিংসু শোয়দনা লৈনি। করিগুম্বা লাক্লবদি মসিগী মরমশিংগী মনুংদা অমদি কুমজা ২০২৭কী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা পাঙথোকফম থোক্লিবা মণিপুরগী ১৩শুবা এসেমব্লি মীখলগীদমক শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। মণিপুরগী মীয়ামদি দেল্লীনা চেপ্পগা চেপ্পা, লোংলগা লোংদুনা লাকপনিনা মহাক্না লুচিংবা য়ুনিয়ন লৈঙাক লিংলবা মতুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী ১১শুবা এসেমব্লি মীখলদা মহাক্কী পার্টিগী এম এল এ ২১ কাখি। মথংগী ১২শুবা মীখলদনা খংহেন হেনগৎলক্তুনা ৩২ কাখি। জে দি-য়ুদগী ৫সু মৈরানবীদৌনা চোঙশিল্লকপদগী ৩৭ শুখ্রিবনি। অদুবু মমাঙ চহী ২০২৪দা পাঙথোকপা ১৮শুবা লোক সভাগী মীখলদা মণিপুরগী ইন্নরদা লোংনা তাখি। আউটরনা চৎমিন্নরকখিবা অমসু খুদি থিখি। অদুগা 'ৱান নেশন, ৱান ইলেক্সন' গী থবক্তুসু কুমজা ২০৩০গী মতুংদগীগা ওইথোরক্কনি থাজরিবনা মণিপুরগী কুমজা ২০২৭তা পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখলগীদমক্তদি করিগী শদোন খপ্পা হৌরক্লগল্লোইদৌরিবনো? ইলেক্সন নকশিল্লক্লবদি মখুল চঙলমদাইদা চুম্বা লিন ওইরক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? মণিপুরদা মহাক্কী পার্টিগী নাইতোম লৈঙাক অমা নৎত্রগনা মহাক্কী পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈত্রবদি রাজ্য সভাগী সিট অমা মাঙবা খক্তা নত্তনা হীরম খুদিংমক্তা মাঙজবদনা মশরুক ওইগদৌরিবনি। হৌজিক লেপ্লিবা খোঙফমসিদা মখা তানা লেপ্লবদি খোঙশাদা উচিরাই কাবা অমসুং শজিং হৌবদি খরবু ফরি। খোঙ্গুল পুল্লপ মুৎকদৌরিবনি। মদু তারক্তনবা হোৎনরকপদদি মহাক খোঙদোই হুল্লক্তবা য়ারোই। করি-করিনো পান্বৈশিং পুথোক্তুনা ৱারোইশিন অমদি পুরক্তবা য়ারোই। মসিগীদমক মফি শেল্লকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুবু মীয়াম্না পামখিবদি শারিঙৈদা য়ৈহৌবনি। হায়বদি লানসি হৌগৎলকপা অদ্বাইদা নাকল অনীমক খামদোক্তুনা মখা তাহল্লক্তবনি। হোয়, মদু তৌহৌদ্রে, হৌজিক শাদ্রে, ঈংথরে হায়দুনা নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী অপীকপা অতিয়াদা অথেংবদা থোরকপা থাবল ওইররনু হায়বা নত্তে। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা লোইশিন-খমজিনগদবা কোকথোং অমা লৈরি। অনা-ফমুংদা থরো-থরো ওন্দুনা থৱায়গীদমক লান্থেংনরিঙৈদা হংবা লাক্ত্রবসু হৌজিক শোরাৎ লোইখিবদা নত্তনা ফিরোই মতুংদা লাক্কনি হায়নরক্লিবসিনা চুমদুনা লাকপু লাক্লবদি ফৈ। মখা তানা মণিপুরগী মীয়াম হিংথৎ-থৎতুনা চংহাৎ হাৎপগী থৌদোকশিং মখা তানা থোরক্তনবা পান্বে অমসুং পোরমশিংদি লোয়নরগা লাকউ। নশা ঙাক্তা হোবে-হোবে লাক্লম্লগা 'ভায়-ও, ভেহন্নো' হায়রগদবা ওইরবদি য়ারে। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা নৎত্রবদি লাই ফাওবা লাকপদা মণিপুরগী মীয়াম্নদি মিৎচিনা ফাওবা য়েংনীংদবগী ফীভমদুদা লৈরবনি হায়বসি খঙলগা লাকহন্নীংই হায়বনি। ৱারৌনু।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) - (৬৩৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

খুলমী লালথৌয়াঙবু। লাকচাথীনা লালঙমবা ও। মিংকৌখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু। ঈকৌ তেহৈবা লিলৱাই পালুচমবা। মাপাও য়ুমচংনবা। মীচী খোইয়ম লাইয়িংথৌ। চীঙলেল নোংদাই নিংথৌ। কোরৌ নুমিৎ থানখিবা শোইনদনা। ৱাপল মতম হেনদোকনদা। মিংলেল মিংথোল ফবা। লাইয়িংথৌ নোংথৌরেল ও। শেলবী খাগেমবা সনা মিংলেল মিংকৌবদি। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯳꯷)

[illegible]

# ইপুদা ইজবা চিঠি - ৪, ২০২৫



চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

*ইপুখোই নুংশিজরবা,*

ইপুখোই লৌশিং চাউবা, লান চেন্নরক্তুনা মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা হাইফেৎ চৎলগা য়েংবীরুবরা? অমুক্তা য়েংবীরম্মু। নখোয়গী নশু-শুরোন নচাশিং অসিনা লৈরিবা মওংদু অমুক্তা য়েংবীয়ু। কয়াদা ফীভম চাখিদ্রবনো? মপান্দগী য়েংবদা অদুম লৈরিবোই নীংবনি। মনুংদা চঙলগা য়েংবদদি করিগুম্বা তুংলমচৎকী য়াইফবা হীরম অমা ফাওবা উবা ফংদ্রবা ঙাক্তনি। মপান্দগী লাকপা অচৌ অশাংদগী চিংলগা লমদম অসিদা মকোক মরূ ওইরিবশিং অসিনা রিলিফ কেম্প হায়রগা হেক হেক চৎনরিবসি চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অসিমদি খরা তোয়না চৎলে। মখোয়না করি য়েংলিবনো? করি হায়রল্লিবনো? করি পীরল্লিবনো? মদুমদি ঐখোয় খঙদে ইপুখোই। মখোয়গী ৱাখলসি করিনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা নেশনল হায়ৱে অনী অসিতসু হাংদোক্তুনা চৎহনবা ঙমদে। সিবু করম্বা ষ্টেটকী করম্বা লম্বীদা ওইথোকপা য়াগদগে? মপাঙ্গল কল্লে হায়রিবা ইন্দিয়ানা ঙাক্লগে, তৌরগে, হাংলগেবু হায়রদি নোংমগী ৱা নত্তে। মতৌগদি, থংনবা লৈবাকশিংদগসু কিহন খংহনবগী মতৌগসু হেক হেক উক্তুনা ৱাজাও ঙাঙবগসু শারিয়ে। মশাগী মরমদম হায়বা অসিদা মণিপুর হায়সিসু য়াওরিবনিনে, ইপু। মণিপুর হায়বসি ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিবনি। মসিদা শম্বল লানশিল্লগা ময়াম অমা থোমজিল্লক্লে। মখোয় ময়ামদুনা অনৌবা ষ্টেট অমা তাল্লক্লে হায়বসি লোইনা খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয় করি লৈগে হায়বা ৱা অমত্তা খন্দে। ইপুখোই, নেশনল হায়ৱেদু মতম অমদা হাংলনি হায়না ধপ তৌরম্মী। সপরমৈনা য়ৌরকপদা অফ-অফবা নোংমৈ পায়বা সিফাইশিংদুদা নাওরি, নুঙ অমদি মরূ ময়াম কাপশিল্লকপা, মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অমগী মকোকফাওবা থুগাইরবসু কৈসু তৌদনা লৈ। হৌজিকসু হাংবা ঙমদ্রিসিনি। লোইরদ্রো, ইন্দিয়াগী থৌনাদুবু কদাইদা চৎখ্রগে। ইপু ঐনা হায়জরিসিদি মোইবু ফূরুচো, হাৎলুচো হায়বা নত্তে। মখোয়গী মরমদা তৌরিবা য়েৎলিবা ময়াম অসিতবু সিমদি নোই য়ারোই হায়না কল্লপ্পা হায়রগা লম্বীসি থাদোকপা ঙমদ্রিসি কৈগীনো। মনুংদা করি লৈরবগে হায়বসি মশানা হংবা তাবা নৎত্রো?

ইম্ফালগী ময়োল মনুংদা হৌজিক য়ানদ্রিবা ফূরুপকী য়ূম বিল্ডিং ফজ-ফজবা ময়াম অমা লৈ। চেক্কোন্দগা লৈরিসিদি ওন্থোক্না য়ামখ্রজাৎনি। মিংশেল মচেৎ অমফাও কায়দে। নীংথিজনা ঙাক শেন্দুনা লৈরি। থাঙ্গাল বজারদসু চাউর-চাউরবা বিল্ডিং লৈরি। ঈরাং হৌরকপদুদগী হৌরগা, য়ূম অমা ঙাকপদা সী আর পি এফ ময়াম অমা অয়ূক নুংথিল নুমিদাং খায়বা লৈতখৈ দ্যুটি তাই। ঙাক শেল্লি। হৌজিকসু ঙাক্লি। মীতৈ, সী আর পি এফ, মীতৈ পুলিস ময়াম্নি ঙাক্লিসি। মীতৈগী ওইবা য়ূম কৈ ময়াম অমা চুড়াচান্দপুরদা, কাংপোকপীদা অমদি মোরেরোমদদি করি ওইরি? য়ূমদা বোম ফিট তৌশিল্লগা বাঙ-বাঙ থুগাইদুনা উফুল ওলহল্লি। মীগী লৈরম্বা পূখ্রি খোংবান খোগোপ্পা লোইনা ফুনজিন্দুনা লম্পাক ওন্থোক্লি। সি কনানা করি হায়। কনানা করি ঙাকপীরি। অমুক্তা য়েংবীরম্মু ইপুখোই।

পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈদসু ঙাকপা ঙমখিদে। পি আর লাক্লে হৌজিকসিদসু ঙাকপা ঙমদে। মরাল শুংলৈ লৈনদবা কাঙলূপ অনী, মকোক থোংবা লুচিংবা খরগী শরৌ লাংদগী উনবা য়াদে, উবগা হাৎকনি-তুপকনি হায়বসিদা লৈখ্রে। মীতৈদি কৈসুবু তৌদে। কুইরে, মীতৈনা অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিং কন-কন্দুনা চাক পীজরগা থাদোক্লিসি। ফীভম অসি ইপুখোই ফন-ফজনা ফৎত্রে। য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা ইপুখোই, হৌজিকসিদা কাঙলূপ অমনা কুকি লালহৌবশিংগী চৎনরিবা সূ অসি হন্দোক্কদবনি হায়বা অকনবা খোল্লাও লৈরি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এসেমব্লিনসু সূ এক্সটেন্দ তৌররোই হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপতু কয়া য়াম্না লুনা লৌবনো লৌদবনো খঙদে। হৌজিক্না অমুক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কুকিগী সূ মখা তানা চৎননবা থৌরাং পূন্নমক শিনবা লোইখ্রে হায়না তারি। ইপুখোইদা ইজরিবা লেট্টর অসি ইবা ফাওবদদি লাউথোরক্ত্রি। লমদম অসিদা মপান্দগী থোমজিল্লকপা মীওইশিংনা মণিপুরদা অতৎ অখম লৈতনা চঙশিল্লকপনা অনৌবা খুল কয়া খুন্দা লৈতারকপা ঐখোয় ইঙান ঙান্না উরে। অদুসু মায়কৈ অমদা য়েংবদদি মণিপুরদা চঙলক্লিবদু ইন্দিয়াদা চঙলকপনি হায়না লৌবা ঙমদবা ঐখোয় শ্বাইদসু অদুগা সেন্টরদসু লৈঙাক পায়রিবশিংনা খনবা ঙমদ্রি। মতম খরগী মমাঙদদি মণিপুরগী সী এম ওইবিরম্বা সার অমনসু মপান্দগী থোমজিল্লকপা মীতোপ মীরানচাশিং অমদি হান্না লৈরম্বশিংনা মান্নরগা লান্দা অসি চথরকপনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মদুগা চপ মান্ননা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর হৌজিক ওইবিরিবা অসিনসু ফোঙদোকখ্রে। অদুগা খরা লৈরগনা অমুক ফোরেষ্ট মাঙহল্লকপা, পোপি থাজিল্লকপা, দ্রগ মাফিয়া কাঙবুনা শিল্লগা ঈরাং থোকহনবনি হায়বসি মান্না-মান্ননা অদুম হায়বীখিবা মীপূম তিংনা তানহৌই। খরা লৈরগদি, মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী রেকমেন্দেশনগী মতাংদা হায় কোর্টকী ৱাফম অমনা লান অসি থোকহনবনি হায়না অমুক হায়রক্লে। সিগা চপ মান্ননা অমুক শ্বাইদসু পার্টি অমগী লুচিংবশিংনা কন্না হায়রি। ঙাইহাক লৈতনা ৱাফমসি মান্নদা মান্নদবা য়াম্না ফোঙদোক্লি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা টামিল নাদুগী গভর্ণর ওইরিবা, মণিপুরগী মরমদসু মুন্না খঙবা আর এন রবি হায়বা মীশক অমনসু মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা হায়নরিবা ময়াম অদুগী ওন্ন-তৈনবা হান্না খন্নখিবা মীতোপ থোমজিল্লকপগী ৱাফম পুথোক্তুনা হায়রকখ্রে। লমদমসিদা লৈরিবা, লাঞ্জেন্নরক্লিবশিং অমদি মীপূম খুদিংমকশিংদি করিনো হায়নরিসিবো, করিনো তৌদৌরিসিবো হায়না খনবদা কোক্কা লোইনা লৈখায়রে ইপুখোই।

সিগী মরকসিদা কুকি মশেলগী মনুংদসু য়ানদবগী হোত্রোং হোবা ময়ি খরা চৎপা উরে। মসি করিগীনো হায়না কূপ্পা মায়কৈ কয়াদগী য়েংলগা নৈনবা য়াই। মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিং অদুদা করিগুম্বা ফংলবদি শায়েন-ঙায়েন্নবদা চাকথুংগী মতাংদা য়ানদ্রিবরা, কৈদৌরিবনো হায়বা তম্বা ঙমদে। অমনা অমগী মথক্তা অথিং-অরাক থমজিন্দুনা ওন্থোকপা পাউ কয়া কয়া অমসু তারি। হৌজিকসি ইপু লান শুংলোই লোইদ্রি।

মণিপুরগী ওইবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈনবা কন্না হোৎনবা থেংনৈ। অদুবু ঐখোয় অমত্তা কায়নবা লৈতে হায়বৈ ৱানি। কনা কনানা কাঙবু কাঙবু শেম্নরিবনো হায়বা লোইনা খঙনৈ। কুকি এম এল এ ১০না থুগায়রগা অনৌবা কন্ত্রি শেমগে ফাওবা হায়রক্লবা অসিদা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবনসু সপোর্ট তৌশিল্লগা, ম্যান্মারদগী খরা, বাংলাদেশতগী খরা, মণিপুরদগী খরা, অরুনাচলদগী খরা, অসামদগী খরা, খরা-খরা ময়াম অমা পুনশিল্লগা কন্ত্রি অমা শেম্বগী অকনবা ৱাফম থম্বা হৌখ্রে। অদুগুম্বা ৱাকায় ঙাঙলক্লিবশিং অদুগী মথক্তা হান্না লৈরম্বা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্টনসু কৈসু হায়খিদে, কৈসু তৌখিদে। মখোয়গী মথক্তা অদুম্মাইনা হায়গনু হায়না ফাওবা ৱাফম অমা কাঙখিদে। কুকিরোমগী মায়কৈদগী অকাম অপেৎ অমদি তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফম কয়া হায়দুনা থীরেখৈ চৈথরক্লবদা কনা অমত্তগী মফমদা নঙনা হায়দু করিনো মতুং মনাও হায়গনু হায়বা ফাওবা হায়বা তাখিদে। অদুগা মতমদুদা লৈবাক কায়হঞ্জনীংদবা অঙাং নুপীমচানা হায়বা, নুপামচানা হায়বা, মৌশিংনা হায়বা ঙাঙবদদি ফাগৎ-ফাগৎতুনা মী অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবা পূম্বা খোঙ্গৈইনখি। লৈঙাক শেম্বগী মতাংদা ৱানৌ কয়া অমসু থোরক্লি। কুকি এম এল এশিং পুনশিল্লগা লৈঙাক অমা শেমগনি হায়না কন্না থৌরাং তৌরম্বা থেংনখি। মদু খেল ওইখ্রে। হৌজিকসু অমুক সেন্টররোমদগী করি ইঙ্গিৎ ঈরাং পীবনো খঙদে মখোয়রোমগী লালহৌবা নৌত্রিক নৌবা অমনা হেক শেম্বদা, হেক য়াওবদা হাৎপগী চৈরাক পীগনি হায়না ফাওবা লাউথোরক্লি। য়েংবা হায়দুনি মখা করি লাক্কদবনো হায়বা।

ইপুখোই মতা অমনিকো, মতা অমনি হায়রিসিনি। য়াম্না ফীভম ফত্তে। কুইনা ইপুখোইসু নরমদমসিদা লৈহন্নীংদে। নীংথিজনা লাইগী লৈবাক্তা ঈংনা-চিক্না পোথাবীবনা ফরে। মথংগী কুমওন লাকপদা অমুক নশুগা থেংনরসি, কুমসিগীদি তোল্লবা নশুনা ইপুখোইবু ইঙক নোন্না খুরুমজরি। ●

অদোমগী নশু অমা।

**(এন বি : কলম অসিদা ইরম্বা নীংশিংবগী থোঙনাওদা হায়বা আর্টিকল অদু সেপ্টেম্বরদগী মখা চত্থজরকখিগনি।)**

# আই এন বি এ ইন্দিয়া নেশনল পাঙথোক্লগনি

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৩৩

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

মরিশুবা আই এন বি এ ইন্দিয়া নেশনল চৎলিবা চহী ২০২৫গী লাক্লিবা নবেম্বর থাদা বেঙ্গলোরদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংগী মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবা অসি INBA INDIA, INBA ASIA অমদি ইন্টরনেশনল বোদিবিল্ডিং এসোসিএশন অমদি ইন্টরনেশনল প্রোফেশনেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএশন, ৱর্ল্ডগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা চাংদম্নবনি। মমাঙ চহীগী ওইনদি কোলকটাদা পাঙথোকখি।




চৎলিবা চহী ২০২৫গী ওইনা ইম্ফালদা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি অদুবু লোইশিন্দ্রিবা কুকি-জো অমদি মীতৈ অনীগী মরক্তা লৈরিবা ঈরাং অমদি প্রসিদেন্টস রুল লৈবা অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিংগী চথোক-চৎশিন্দা অকায়বা লৈরিবা অসিগী খন্দুনা বেঙ্গলোরদা ওইনা মফম হোংখিবনি।

International Natural Bodybuilding Association অসি মালেমদা খ্বাইদগী লীরবা নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএশননি। INBA World Headquarters না য়ু এস এগী কালিফোর্নিয়াদা লৈ। হায়রিবা নেচরেলগী ওইবা এসোসিএশন অসি ফাউন্দর অমদি ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট ওইবা Dennis Kakos না কুমজা ১৯৮৮দা হৌদোকখিবনি।

ঙসিদি INBA (International Natural Bodybuilding Association) অমদি PNBA (International Professional Bodybuilding Association) অনীগী মখাদা আই এন বি এ নেশনল এসোসিএশন মালেমগী লৈবাক ৬০ হেনবদা লৈদুনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী তোঙান-তোঙানবা থাক্কী ওইবা চাংদম্নবশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। খুদম খরা পল্লবদা- Mr. Natural Olympia, Natural Mr World, Natural Mr. World Cup, Natural Universe, Champion Against Champions, International Asia Pacific, International Battle Against Cancer, International European Championship, International Iron Magazine, International Zeus Classic, International the Icons, International Latin American Championships নচিংবা পনবা য়াই। হায়রিবা চাংদম্নবশিংসি ইন্টরনেশনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মখাদা লৈবা World AntiDoping Agency গী মখাদা দোপিং টেষ্ট তৌদুনা পাঙথোকপনি।

এসিয়ন কন্টিনেন্টদা নেচরেলগী মশান্না অসি পুরকখিবসি মতম শাংনা অমদি ৱানা থোকখি। ঐহাক ইশামক (ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ) আই এন বি এ ৱর্ল্ড হেদক্কার্টরসকী মখাদা পাঙথোকখিবা Mr. World, Mr. World Cup, Mr. Natural Universe অমদি Mr. Natural Olympia নচিংবা কয়ারক শরুক য়াদুনা চাংদম্নবশিং অদুদা মকোক থোংবগী মিংথোলশিং (দিভিজন ৱিন্নর অমদি ওভরওল টাইটলশিং) ফংলবা মতুং খক্তদনি আই এন বি এ অমদি পি এন বি এ অসি এসিয়া কন্টিনেন্টতা লাকখিবসি।

ঐহাক্না মিষ্টর ৱর্ল্ড অমদি নেচরেল ওলিম্পিয়ানচিংবা মিংথোলশিং অসি ফংলবা মতমদুদা খঞ্জখি নোংমদি ঐহাক নেচরেলগী ওইবা চাংদম্নবা অসিগী ফম্বাকসি এসিয়াদা পুরক্কে হায়না। ঐহাক্না নীংজখিবা মঙলান অদু কুমজা ২০১৫দা থবক ওইনা পাঙথোকচখি। চহীসিমক্তদা আই এন বি এ টাইৱান ওফিসিএল্লি হাংদোক্তুনা অহানবা ওইনা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎকী অনীশুবা লমদম অসিদা আই এন বি এ টাইৱান ওফিসিএল্লি হাংদোকচদুনা অহানবা আই এন বি এ টাইৱান নেশনলস পাঙথোকপা হৌজখি।

য়াম্না পীক্না হৌখিবা নেচরেলগী ঈহৌনি অদুবু ঙসিদি মপূং ফানা নেচরেল ওইনা শান্নজবা টাইৱানগী শান্নরোয়শিংদা নত্তনা এসিয়াগী লৈবাক কয়াদসু আই এন বি এ নেশনল ওফিসিএল্লি হাংদোক্তুনা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী ওইবা চাংদম্নবা কয়া চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ঙল্লে। আই এন বি এ টাইৱান নেশনলস টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিগী শান্নরোয়শিংতা নত্তনা লৈবাকশিংগী শান্নরোয় কয়াসু শরুক য়াহন্দুনা লাক্লি। মতৌ অসুম্না টাইৱাননা ইহান হান্না আই এন বি এ পুশিল্লকপা লৈবাক অমা ওইনা নিপাল্লক শুবা আই এন বি এ টাইৱান নেশনলস পাঙথোকখ্রে কুমজা ২০২৪ ফাওবদা।

মসিগী মতুং তারকপদা কুমজা ২০১৭তা অহানবা ওইনা সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা মালেমগী থাক্তা অহানবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেশনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেশ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা হৌখি আই এন বি এ ৱর্ল্ডগী মীৎয়েং মখাদা। চাংদম্নবা অদুগী ষ্টেজমক্তুদনি INBA, PNBA Founder অমদি World President, Dennis Kakos না ঐহাকপু আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুবা হৌহনখিবা।

ঐহাক্না প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুবগী খুদোংচাবদু লৌজদুনা আই এন বি এ এসিয়াগী (ঐহাক্কী) মীৎয়েং মখাদা অহানবা ওইনা নেচরেলগী ওইবা মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবগী ফম্বাকসি ইন্দিয়াদা পুশিল্লকখি। ইন্দিয়াদা ইহান হান্না নেচরেলগী ওইবা চাংদম্নবা - Legendary Mr. Maipak and Dr. Ngangbam Meetei National Natural Bodybuilding and Fitness Championship 2017 তা পাঙথোকখি ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী হোলদা। মসিগী মতুং তারকপা কুমজা ২০১৮দা আই এন বি এ ইন্দিয়া ওফিসিএল্লি হাংদোকখি বেঙ্গলোর সিটিদা ঐহাক ইশামকসু শরুক য়াদুনা। চহীদুমক্তদা আই এন বি এ ইন্দিয়া নেশনল পাঙথোকখি বেঙ্গলোর সিটিদা ঐহাক ইশামক লাক্তুনা।

অনীরকশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেশনল ২০১৮দা সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা পাঙথোকখি। মসিগী মখা তারকপদা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেশনল অহুমশুবা ওইনা ইন্দিয়াদা পুরকখিবনি কুমজা ২০১৯দা বেঙ্গলোর সিটিদা। হায়রিবা চাংদম্নবশিং অসিদা ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট অমদি ঐহাক ইশামক অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়ারকখিবনি। ঐহাক্কী মরু ওইবা ইথৌদাংদি কম্পিটিশনশিং অদুগী অশোয়-অঙাম থোক্তনবা য়েংশিনবা, জজ ওইবা অমদি দোপিং টেষ্ট তৌবা য়েংশিনবা অসিনি।

মতৌ অসুম্না সুম লাকপনা, মরিশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেশনল ২০২৪দা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখি ঐহাক্না চীফ জজ ওইদুনা। অদুগা মঙাশুবনা জপানদা পাঙথোকখি কুমজা ২০২৫দা। এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেশনল চহী খুদিংগী শরুক য়াদুনা লাকখি অদুবু কুমজা ২০২৫গী ওইনা জপানদা পাঙথোকখিবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেশনলদদি ঐহাক য়ুনিভর্সিটিগী থবক চিনবনা শরুক য়াখিদ্রে।

অসুম্না ঐহাক্কী থবক চিনবনা অমদি ইচাশিংগী পূন্সিদা ক্বালিটি টাইম হেন্না পীনীংবনা মরম ওইদুনা ঙসিদি আই এন বি এ, পি এন বি এ ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টতগী অয়াবা লৌরগা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্টকী ফমদগী পোথারে। ঐহাক্কা লোয়ননা আই এন বি এ এসিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা কুমজা ২০২৫দগী থবক তৌবা হৌখিবা য়াম্না দাইনামিক অমদি এক্টিভ ওইনা থবক তৌবা সিঙ্গাপোরগী Kevin Chiak তা ফম অসি শিন্নখ্রে ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টকা খন্নরবা মতুংদা।

মীওই কয়াদি মোই মোইনা পায়রিবা ফমদু শিদ্রিফাওবা পায়গনি হায়না পায়শিন্দুনা লৈনৈ। মদুমক্তি ঐহাক পামজদে। ঐহাক্কী ৱাখল্লোনদদি ঐঙোন্দগী হেন্না চেন-চোঙবা ঙমগদবা মীওই থোরক্লবদি ঐহাক্কী ফমদো শিন্নখিবনা হেন্না পামজৈ শিদ্রিফাওবা পায়গনি হায়না পায়শিন্দুনা থম্বগী মহুত্তা। মতাংসিদা আই এন বি এগী খোঙচৎসি তেল্লপ্পা থমজবগী মরমদি আই এন বি এ অসি এসিয়াদা ইরায় লায়না লাকখিবা নত্তে, মতম চঙনা তপ্পা-তপ্পা ৱানা শেমগৎ শাগৎতুনা লাকখিবনি হায়বদু উৎচবনি পাবীরিবশিংদা।

করিগুম্বা ঐহাক্না আই এন বি এগী মিংথোলশিংসি ফংলমদ্রবা, প্রোফেশনেল এলিট এঠলিট অমা ওইরমদ্রবা অমদি ইকায় খুম্ননীংঙাই ওইবা INBA ASIA President, Natural Bodybuilding Hall Of Fame, INBA, PNBA WORLD AMBASSADOR মিংথোল ফংলমদ্রবা ঙসিসু এসিয়াদা আই এন বি এ, পি এন বি এ লাক্লমদবা য়াই। অসুম্না ৱানা, মতম চঙনা পুরকখিবা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক অসি শৌগৎমিন্নসি ঐখোয় ঙসিগী অমদি তুংগী মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমগীদমক। হকচাং ফনা, শেংনা, পূন্সি শাংনা, হরাও নুংঙাইনা লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎসি হায়রবদি নেচরেল ওইনা শান্নবীয়ু, নেচরেল ওইবা চাবীয়ু, নেচরেল ওইনা লৈবীয়ু। লোয়ননা নেচরেল ওইবশিংদা শরুক য়াবীদুনা নেচরেল ঈহৌ অসিবু শৌগৎপীয়ু, পূক্লিং থৌগৎপীয়ু। ২০২৫ আই এন বি এ নেশনল য়াওনবগীদমক মখাদা পীজরিবা লিঙ্কসিদা রেজিষ্টর তৌশিনবীয়ু : https://inba-india.in/. ●